কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিদগী কন্নবা রিমসকী ষ্টাফশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু ইকায়খুম্নবা উৎলদুনা উরিপোক পিপলস ৱেলফেয়র কম্মিটিনা রিমসকী দাইরেক্টরগী খুত্থাংদা মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরশিং তেংবাঙখিবা


লামায় ৪

আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলস তেংনৌপল বট্টালিয়ননা খস্পাং খুনৌ অমসুং লৈবী খুনাও ভিলেজগী খুঞ্জাশিংদা সোলর লাইট নিপান অমসুং ৱাটর টেঙ্ক খূৎশিন্নখিবগী থৌরম


লামায় ৪

নুপী পুলিস য়াওবা লিলোং পুলিসকী ও সীনা লুচিংবা টিম অমনা অঞ্জুমানগী মতেংগা লোয়ননা লিলোং হাওরৈবী তুরেল অহনবীদা লৈবা যুম অমদগী নুপী অমগা কোন্ননা ফাগৎলবা দ্রগকী পোৎলমশিং


লামায় ৪

মপান লমদগী পুশিল্লকপা অথিংবা থমখ্রবা গোদজিলা মোসক্যুটো কোইল (কাং হীদাক) কার্টুন বোক্স ৫৮গা কোন্ননা মীওই অমা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দোগী টিম অমনা শোন্দ্রেদগী ফাগৎখিবা


লামায় ৫

### হেল্থকী এদভাইজর টু সী এমনা লুচিংবা ওফিসল টিমনা য়েংশিনখ্রে

# লম্বোইখোংনাংখোঙদা অমুক হন্না কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংদোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

এদভাইজর টু সী এম (হেল্থ) ডা. সাপম রঞ্জন অমদি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা লুচিংবা লৈঙাক্কী ওফিসল টিম অমনা নৌনা হাংদোক্লবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংগী ফীভম য়েংশিনখ্রে। লোয়ননা মণিপুর ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টর লম্বোইখোংনাংখোঙদা অমুক হন্না কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংদোক্লবা য়েংশিনবগা লোয়ননা মথৌ তাবা থৌরাং লৌখৎপা হৌহনখ্রে।




য়েংশিন খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা ফংবা পাউনা হায়, মণিপুর ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টর লম্বোইখোংনাংখোঙদা হান্না কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংদোকখিবা অদুগুম্না হৌজিক অমুক অহানবগী ওইনা ফমুং ৬০০ থমদুনা কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংদোক্লবা থবক পায়খৎপা হৌরে। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস মশীং খংহেন হেনগৎলকপা অসিগী য়েংলগা মীয়াম্না অনা লায়েংগী লম্দা খুদোংচাহন্নবগীদমক কোভিদ ক্যের সেন্টর অসি হাংদোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। কোভিদ ক্যের সেন্টর অসি লাক্লিবা মে ৭তগী অনাবশিং লৈবা য়ানবা পান দম থল্লি। করিগুম্বা মথৌ তারক্লবদি ফমুং মশীং অসি হেনগৎহল্লকপা য়াই হায়না ফোঙদোরকখি। লম্বোইখোংনাংখোঙ কোভিদ ক্যের সেন্টর অহানবা ওইনা হাংদোকখিবা মতমদা শীজিন্নখিবা পোৎলমশিং অদু অমুক হন্না শীজিন্নবগী খুদোংচাবা লৈরবদি কোভিদ ক্যের সেন্টর অসি অথুবদা মথৌ পাঙথোকপা হৌহনবা য়াগনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

# সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট কঞ্জ্যুমর ক্লবনা পোৎ চৈগী মমল লৈঙাক্লা লেপ্পা মমলদগী হেনগৎনা য়োনব্রা হায়না য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই ওফিসর (দি এস ও), কঞ্জ্যুমর এফ্যেরস ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সেনাপতিগী মীৎয়েং মখাদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট কঞ্জ্যুমরস ক্লবনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেদ ক্বার্টর অমদি অকোয়বদা লৈরিবা কৈথেলশিংদা হাংবা দুকানশিংনা পোৎ চৈগী মমল লৈঙাক্লা লেপ্পা মমলদগী হেনগৎনা য়োনব্রা হায়না য়েংশিনখ্রে।



য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ কঞ্জ্যুমরস ক্লবকী লেদি প্রসিদেন্ট দি মেরিনানা লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী মমল লৈঙাক্লা লেপ্পা মমলদা য়োননবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি।

মহাক্লা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্লা হৌখিবা এপ্রিল ২৪দা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী হোলসেল অমসুং রিটেলগী মমল লেপ্তুনা লাউথোকখ্রে। লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাক্তুনা লায়না লাইচৎ অসিনা চৈথেং পীরক্লিঙৈ চৈরক অসিদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈবা কৈথেলশিংদা হাংলিবা দুকান মপুশিংনা পোৎ চৈগী মমল হেনগৎনা য়োনবীগনু। করিগুম্বা দুকান মপুশিংনা পোৎ চৈগী মমল হেনগৎনা য়োল্লম্বা থেংনরবদি মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি। দুকান মপুশিংনসু লৈঙাক্লা লেপ্পা পোৎ চৈগী মমলশিং অদু মাগী মাগী দুকান মমাঙদা থেৎতোকপীয়ু। মীয়াম্নসু পোৎ চৈ লৈবা মতমদা লৈঙাক্লা লেপ্পা মমলশিং অদু ময়েক শেংনা খঙবীদুনা লৈবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট কঞ্জ্যুমরস ক্লবকী থৌমীশিং, সী এ এফ এন্দ পি দি সেনাপতিগী ওফিসলশিং অমদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী পর্সনেল কয়াসু শরুক য়াখি।

# ঈশিং ঈচাও থোকখিবগী ফংফম থোকপা শেলগী মতেং খূৎচাবী মীওই খরদা পীদুনা লৈরব্রা

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা কুমজা ২০১৫-১৭ ফাওবদা ঈশিং ঈচাও থোকখিবগী ফংফম থোকপা শেলগী মতেং অশেংবা ভিক্টিমদা পীবগী মহুৎতা খূৎচাবী মীওই খরদা পীদুনা লৈরব্রা হায়বগী চিংনবা ফাওরে হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ফ্লদ ভিক্টিম কম্মিটিগী চ্যেরমেন ওক্রম রতন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা ক্রোর ১০০ রোম থাদোকখ্রবসু অশেংবা ভিক্টিমদা লুপা অমা ফাওবা য়ৌদ্রে। ওফিসল খরনা অরানবা তৌরে খঙলবা ফাওবদা এজেন্ট খরদা হঞ্জিন হঞ্জিন শেল কায়থোকহল্লে। এজেন্টশিং অসিনা ভিক্টিম মশা খঙহন্দনা এস বি আই বেঙ্ক থৌবালদা একাউন্ট কয়া হাংলে। এজেন্টশিং অসিনা লৈঙাক্কী ওফিসল খরগা মান্নরগা পাট্টা অশাবা পীদুনা অমদি চুল্লে হায়না ভেরিফাই তৌদুনা শেল কায়থোক্লে। মসিদা লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা য়েংদুনা লৈরে। এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়বদা তাবীদ্রে। এজেন্টশিং অসিগী লুচিংবা অমনা লুপা ক্রোর ৩ লোম কায়থোকপদা অশেংবা ভিক্টিমদা লুপা অমা ফাওবা য়ৌদ্রে খঙলবসু এজেন্ট অসিগা মান্নরগা শেল কায়থোক্লি। দি সীনা হন্দক্তি অচুম্বা তৌগনি, ইমুং অমগী লুপা লিশীং ৩০ পীগনি হায়খিবনি। অশেংবা ভিক্টিমশিংগী ৱা চহী মঙারোম অসি খন্নবীদ্রে। মরম অসিনা গো টু ভিলেজগী মগুন হাপ্পীবা ওইনা সী এমনা হীরমসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীদুনা অরানবা তৌবশিং চৈরাক পীবিয়ু। খুঙ্গংগী অশেংবা ভিক্টিমশিংগী ৱাকৎ তাবীদ্রবদি লাক্লিবা মে ১০গী অহিং নোংয়াইদগী পুং ৪৮গী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা বন্দ কৌরগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ব্রাওন সুগর, এস পি কেপস্যুলগা কোন্ননা নুপী অমা পুলিসনা ফারে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

লোনা য়াদবা ময়াই কাবা দ্রগকী পোৎলমশিং য়োল্লে হায়বা অকক্প বা পাউ অমা ফংবদগী এস পি থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা ৱিমেন পুলিস য়াওবা লিলোং পুলিসকী এ সীনা লুচিংবা টিম অমনা অঞ্জুমানগী থৌমীশিংগা লোয়ননা লিলোংগী কালৈখোং ব্রিদজ মনাক্তা লৈবা লিলোং হাওরৈবী তুরেল অহনবীদগী ফুন্দ্রেময়ূম য়াসমিন (২৮) মপুরোয়বা ফুন্দ্রেময়ূম মুজিবুরগী যূমদা থিবা হুম্বা চথবদা ব্রাওন সুগর, এস পি কেপস্যুল ফাগৎলে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুদি প্লাষ্টিক কন্টেনর অমদা হাপ্তুনা থম্লম্বা ব্রাওন সুগরনি চিংনবা গ্রাম ২৬২.৮, এ এন আর ঈ এক্স - সী পি কফ সেরব ৬৭ অমদি এস পি কেপস্যুল ৫৭৯নি। লোনা য়াদবা দ্রগকী পোৎলমশিং অসিগা কোন্ননা ফুন্দ্রেবযূম য়াসমিনসু মথৌ তাবা ফোর্মেলিটিশিং পাঙথোক্তুনা ফাগৎখ্রে। হীরমসিগা মরী লৈননা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথনবগীদমক কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা এফ আই আর অমসু লৌখৎখ্রে হায়রি।

# এ দি সী মীখল পাঙথোকপগী মতাংদা য়ানখিবা ৱাফমশিং লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোকউ : অটসুম

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) শিংগী মীখল পাঙথোকপগী মতাংদা ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর (অটসুম) গা লৈঙাক্লা য়ানদুনা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) খূৎয়েক পীনবদা য়াওখিবা ৱাফমশিং লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোকউ হায়না অটসুমগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অটসুমগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খাইমিনলেন দোঙেলনা ফোঙদোরকপদা হৌখিবা এপ্রিল ৭তা এ দি সী মীখল পাঙথোকপগী মতাংদা লৈঙাক্লা অটসুমগা এম ও য়ু খূৎয়েক পীনখিবনি। এম ও য়ু অদুগী মতুংইন্না মে ৫ ফাওবগী মনুংদা এ দি সী মীখলগী নোটিফিকেসন থোক্লগা জুন ২৫ ফাওবগী মমাঙদা মীখল পাঙথোকপা হায়না য়ানখিবনি।

মীখল অসি থেংথদনা য়াম্না ঈংনা চিক্লা অমদি অকায়বা থোক্তনা পাঙথোক্লবগীদমক মতিক চাবা এস ও পি অমা শেম্বগা লোয়ননা চীংগী ভিলেজ খুদিংমক্তা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী থবক অসি ষ্টেট লৈঙাক্লা য়াঙশিনহনবীয়ু।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ইস্যু তৌবা মীখলগী এস ও পিশিং ঙাক্লা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল অমদি লোকল বোদিশিংগী মীখল মপূং ফানা পাঙথোকখ্রে। ষ্টেট লৈঙাক অমদি লোকল সেল্ফ গভর্ণমেন্ট অসি মথৌ নিংথিনা পাঙথোকহন্নবগীদমক এস ও পি ঙাক্লা মীখল পাঙথোকপা হায়বসি মথৌ তাই। মরম অসিনা অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা চুনগদবা এস ও পিশিং শেমদুনা এ দি সী মীখল অসি য়ানখিবা মতমগী মনুংদা পাঙথোক্লনবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এ আরনা নোংমৈ, মরূ অমদি হেন্দ গ্রেনেদ অনী ফাগৎখ্রে



ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসকী মোরে বট্টালিয়ননা নিংথিনা প্লান তৌরগা হৌখিবা মে ১দা চথুখিবা ওপরেসন অমদা নোংমৈ য়াওনা খূৎশু খূৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অসাম রাইফলস মোরে বট্টালিয়ননা মোরে মনাক্তা লৈবা জৌজাং ফোরেষ্ট এরিয়াদা চথুখিবা ওপরেসন অদুদা উমং অদুদা লৈরম্বা যূম অমদগী মেগজিনগা কোন্ননা এসোল্ট রাইফল অমা, নোংমৈ মরূ অমদি চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অনী ফাগৎপা ঙমখিবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মখা তাবা লিগেল এক্সন লৌখৎনবগীদমক ফাগৎলবা খূৎশু খূৎলায়শিং অদু অসাম রাইফলস মোরে বট্টালিয়ননা মোরে পুলিসতা খূৎশিন্নখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# লমদমসিদা অমুক হন্না থোক্তনবা দুৱাগী থৌরম পাঙথোকখ্রে : এ এম এম দি সী

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

ইস্লামিক ইংলিস স্কুল, মৌলানা অবদুল কলাম অজাদ ফাউন্দেসন হোলদা হৌখিবা কুমজা ১৯৯৩গী মে ৩দা লমদমসিগী য়েলহৌমী ওইরিবা মৈতৈ পাঙল অনীগী মরক্তা মীফত্তা খরনা শেমজিন শাজিনবা তোকঙাদা যূম্ফম ওইরগা লাইবক থীবা থৌদোক অমা থোক্তুনা মীশি মীনা নংহনখিবা অদুগীদক্তা লমদমসিদা অমদি লৈমায়সিদা অমুক হন্না থোক্তনবা দুৱাগী থৌরম অমা ঙসি লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না ওল মণিপুর মুসলিম দিভলপমেন্ট কম্মিটি (এ এম এম দি সী) গী প্রসিদেন্ট পুসম সয়িদ অহম্মদনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এ এম এম দি সীনা দুৱাগী থৌরম অসি পরিং নাইনা কাঙলূপ, ফুরুপ শুনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অদুবু লাইবক থীবদি মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা লমদমসিগী কাঙলূপ ফুরুপ শুনা য়াওদবা অসি এ এম এম দি সীনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে। অসিগুম্লবা দুৱাগী থৌরম অসি পাঙথোকপা মতমদা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ঈ মরী ওইরিবা কাঙলূপ, ফুরুপশিংগী মরক্তগী মীওই খরনা দুৱাগী থৌরম অসিগী মায়োক্তা পাঙথোকপা য়ারোই হায়না হেক হেক হায়রকপা অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীগনু।

লাইবক থীবা থৌদোক অদুনা পারা ওইহৌরগা হৌজিক্তিঃ কাঙলূপ অনীগী মরক্তা নুংশি চান্ননা, চারৌ মৌরৌননা লাইনীং অমনা লাইনীং অমগী হরাও কুম্মৈ অমদি অৱা অনাদা শরুক য়ামিন্নরে হায়বসি পুৱারীনা শাখিনি। লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ খুদিংমক্কসু অপিকপা ৱাখল খন্নদনা ঐগী মীগী হায়বা ৱাখল থাদোক্লবদি ইরমদম অসিদা কাঙলূপ, ফুরুপকী ইস্যু অমত্তা লৈরোই হায়বসি এ এম এম দি সীনা থাজবা লৈ। মতম খুদিংমক্তা ঐখোয়না খঙগদবদি লমদমসিদা পোকপনি, লমদমসিদা চাউবনি, লমদমসিদা শিগদৌরিবনি। মীগী মমাদা ইমা কৌবা য়ারোই হায়বসি ঐখোয় ঐখোয়না থম্মোয়নুংদা য়াম্না চেৎনা থাজবা থম্মীন্নগদবনি। খূরক্কী ঈনা লাই শাবা থাদোকমিন্নরসি। ঐখোয় পূম্নমক ইমা অমত্তগী মচানি হায়না খোল্লাউ লাউমিন্নরসি। কাঙলূপ ফুরুপকী ওইবা অখুবা মীৎয়েং থাদোক্লবা মতম ওইরে।

মপুদা হায়জবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা ভিক্টিম ওইহৌরবা মীওইশিংগী ইমুং ৫০ অমদি হেনি দকেপদ ৫০দা এ এম এম দি সীনা অচম্বা খুদোল পোৎশিং পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। ইরমদম অসিদা লৈরিবা এ এম এম দি সীগী য়ুনিট খুদিংমক্তসু অসিগুম্লবা দুৱাগী থৌরম অসি লৈঙাক্লা পীরিবা কোভিদ-১৯গী ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) শিং ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়নসু এ এম এম দি সীগী প্রসিদেন্ট পুসম সয়িদ অহম্মদনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# চান-থক্লবা পোৎলম তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

ঐখোয়গী ফেসবুক (সুরগী তাম্থা) গ্রুপনা হৌখিবা ওক্টোবর থাদগী লেপ্তুনা চথরকপগী তাঙ্কক অমা ওইনা ঙসি নিপাল্লকশুবা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোইদাংপোক খুনৌ মমাঙ লৈকায়দা লৈবী দিসএবল্ড ওইরবী নুপীমচা অমগী ইমুংদা ঐখোয়গী ফেসবুক (সুরগী তাম্থা) গ্রুপকী মেম্বরশিংনা অঙম অঙম্বা খায়নরগা কোভিদ-১৯গী খম থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা অঙম্বা চেঙ, আলু, থাও, থুম, ঙারি, তিলহৌ, য়েরুম, হৱাই অমদি মনা-মশিং য়াওনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে। গ্রুপ অসিনা তেংবাঙখিবা অসিগীদমক নুপীমচা অসিগী অপোকপীনসু থাগৎপা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা কনা লৈজদ্রবশিংদসু অসিগুম্বা মখলগী তেংবাঙ অসি পীবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না গ্রুপ অসিগী মেম্বরশিংদা ফোঙদোকপীরকখি। লোয়ননা অসিগুম্বা মীগা মীমান্নদ্রবা মীওইশিংবু মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি লৈঙাক্লা য়েংশিনবীনবা আপিল তৌজরি হায়নসু ঐখোয়গী ফেসবুক (সুরগী তাম্থা) গ্রুপকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# রিমসতা ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজর পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

রিমসকী দাইরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তগী মীৎয়েং মখাদা রিমসতা মমাঙদা অমুক্তঃ ওইখিদবা মওংদা দিভেলপমেন্ট কয়া পায়খৎলকপা অমদি হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিদগী মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা হোৎনবদা রিমসকী ষ্টাফ খুদিংমক্লা লৌরিবা থৌদাং অসিবু থাগৎপা, নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা উরিপোক পিপলস ৱেলফেয়র কম্মিটিগী এদভাইজরসু ওইরিবা লাইময়ূম ওংবী সোরোজিনিগী মখাদা কম্মিটি অসিনা ফেস মাস্ক, সেনিটাইজরনচিংবা খরা রিমসকী দাইরেক্টরগী খুত্থাংদা পীখ্রে হায়না উরিপোক পিপসল ৱেলফেয়র কম্মিটিগী সেক্রেটরি জেনরেল এল সুরজকান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) অসি মণিপুর মীয়ামগীনি। মরম অসিনা মীয়াম ঐখোয়না রিমস ওথোরিটি অমদি ইন্সটিট্যুট অসিগী ডাক্টরশিং, নর্সশিং, হেল্থ ৱার্করশিং অমদি ষ্টাফশিংদা কোওপরেসন পীসি। পেন্দবা খরগীদমক রিমস মনুংদা ঈরাং শাগৎপীদনবা মীয়ামগী মফমদা আপিল তৌজরি। কোভিদ-১৯গী লুরবা তানফম অসিদা অনা লায়েংশঙ অসি মথৌ নিংথিনা তৌহন্নবা হোৎনবদা পূম্নমক্লা কোওপরেসন পীসি। লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং পূম্নমক্লা ঙাক্লা চৎমিন্নসি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

# খস্পাং খুনৌ অমদি লৈবী খুনাও ভিলেজদা সোলর লাইট, ৱাটর টেঙ্ক পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসকী তেংনৌপল বট্টালিয়ননা ঙসি খস্পাং খুনৌ অমসুং লৈবী খুনাও ভিলেজদা সোলর লাইট নিপান অমসুং ৱাটর টেঙ্ক অমা পীখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, খস্পাং খুনৌ অমসুং লৈবী খুনাও ভিলেজ কী খুঞ্জাশিংনা ষ্ট্রিট লাইটকী অমদি ৱাটর টেঙ্ককী অৱাৎপা লৈবনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা কয়া অসিদা মতেং ওইননবগীদমক ঙসি ভিলেজ অনী অসিদা সোলর লাইটশিং অমদি ৱাটর টেঙ্ক অদু তেংবাঙ ওইনা পীখিবনি।

খুঞ্জাশিংগী খুদোংচাদবশিং য়েংলগা অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী সোলর লাইটশিং অমসুং ৱাটর টেঙ্ক তেংবাঙ ওইনা পীদুনা খুঞ্জাশিংগী অৱাবদা মতেং পাংবীরকপগীদমক্তসু ভিলেজ চীফশিং অমদি খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগী অসাম রাইফলসপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

**THE GOVERNMENT OF MANIPUR**
**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY**
**COLLECTOR LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**
**Ref :- Mut. Case No. 21/SDC/Lil dt: 03/05/2021**

1. Sapam Mohon Singh S/o (L) Sapam Tomal Singh
2. Sapam Mangi Singh S/o (L) -do-
3. Sapam Ibopishak Singh S/o (L) -do-

All are residents of Khekman Awang Leikai. *...Petitioners*

-Vs-

1. Late Sapam Tomal Singh S/o (L) Yaima Singh of Khekman *...Opposite Party*

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯠ / **NOTICE**

Lilong the 3rd May, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৯ খেকমন লিলোং তহশিল অরিবা পাট্টা নং ৬০০, অনৌবা পাট্টা নং ৭৮৫ দখল তৌরিবা দাগকী নং ১৯৪গী ০.৩৩০৯০ চাওবা ইঞ্খোল অসিগী পাট্টাদারশিং মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃতু ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মচাশিংনা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন লাক্তৱবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথুরগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-* **Md. Zamilur Rahman**
Sub-Deputy Collector, Lilong

HL-P/9726/04

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,**
**LILONG CHAJING, IMPHAL WEST**
**Ref :- Mutation Case No. 98/SDC/IW/LC of 2021**

Sorenshangbam Indira Devi W/o (L) Sorenshangbam Nilo Singh of Singjamei Makha Liwa Naorem Leikai. - Petitioner

-Vrs-

Late, Sorenshangbam Nilo Singh S/o (L) Mera Singh of Naorem Leikai. -Opposite Party

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯠ / **NOTICE**

Lilong Chajing the 30th April, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস: দি: সী: লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৬৪-নাওরেম লৈকাইগী অরিবা পাট্টা নং ২৯ অনৌবা পাট্টা নং ২০৮/৮৭১ দাগ নং ১৩ এরিয়া ০.৬২৫ একর চাওবা অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার সোরেনশংবম নিলো সিংহ পীং মৃ: মেরা সিংহ সাং নাওরেম লৈকাই অসি মৃ: ওইখ্রবা মরম্না মৃ: পাট্টাদারগী মমিংদা লৈরিবা লৌফম অসি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা লৌফম অসিগী মরীদা আপতি তৌনিংবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা 'নোটিশ' অসিনা পাউচে অসিদা হাপ্পা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা আপতি তৌরদ্রগদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথুরগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা লৌরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/9723/04

**THE GOVERNMENT OF MANIPUR**
**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY**
**COLLECTOR LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**
**Ref :- Mut. Case No. 217/SDC/Lil dt: 26/4/2021**

1. Yengkokpam (O) Urirei Devi W/o (L) Y. Ibomcha Singh
2. Yengkokpam Ningthemjao Singh S/o (L) Y. Iboyai Singh
3. Yengkokpam Memcha D/o (L) Y. Abung Singh
4. Yengkokpam Radha D/o (L) Y. Abung Singh
5. Yengkokpam Doidoi D/o (L) Y. Abung Singh
6. Yengkokpam Mamei D/o (L) Y. Abung Singh
7. Yengkokpam Ithoi D/o (L) Y. Abung Singh

All are residents of Khekman Wangmataba. *...Petitioners*

-Vs-

1. Late Yengkokpam Chaoba Singh S/o (L) Omar Singh
2. Late Yengkokpam Abung Singh S/o (L) -do-
3. Late Yengkokpam Ibomcha Singh S/o (L) Iboyai Singh

All are residents of Khekman. *...Opposite Parties*

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯠ / **NOTICE**

Lilong the 26th April, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৯ খেকমন লিলোং তহশিল অরিবা পাট্টা নং ৩১৪, অনৌবা পাট্টা নং ৩৮৪ দখল তৌরিবা দাগকী নং ১২৯৩গী ০.২৩২০০ হেক্টর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদারশিং মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃতু ওইখ্রবা পাট্টাদারশিংগী নুপী অমদি মচাশিংনা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন লাক্তৱবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথুরগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-* **Md. Zamilur Rahman**
Sub-Deputy Collector, Lilong

HL-P/9726/04